থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিমীন্নবা

ঐগী মরুপ অমনা তৎতনা হায়, মমিংদুদি পন্থোকচররোই মাগী মরন্নাই ৱাখলদু মীমাঙদা পুথোকই খন্না ৱারৌখিবা য়াই...'ফজবা নুপী কনানো মশক তাকপা লুদবনি- ঐগী নুপী নত্তবা মীগী নুপীদু ফজবা নুপীনি...'। অদোম্নসু মাগী ৱা অসি য়াবীনিংদবদি য়াই, অদুবু ৱাখল খন্থনিংঙাই অমদি য়াওবনি। ঐদি মাগী ৱাহৈশিংসি ফজবা নুপী অমা উরূবা খুদিং হেক্তা নীংশিংই। খনগনু য়াদে, হেক্তা খল্লকই- কনাগী নুপী ওইরিগবা! ওন্থোক্লা ফজখ্রেদা!

অদুগা, অদুগুম্বা তাঞ্জাদা ঐগী লোয়নবী, নুংশিথোইবীগা চৎমিন্নরুবা, হায়রক্নি শোয়দনা... 'নমীৎতুনা নুপী ফজবী অমা উবদা হেক্তা য়েংনিংলিবদু- নহাক লুহোংলবা নুপানি হায়বসি হেক্তা কাউথোকপ্রা?...'

ঐনা খুম্মী, 'পঙখ্রেদকো নহাকসে! মখোয়সি উরুরগনিনে ঐনা ঐহাকসি লুহোংলুরে হায়বদু নীংশিংলত্তুনা ইথন্তা তকশি শোঞ্জরিবসে!'

অসিগুম্বা ৱারীসি, পাউদম অসি পাবীরিবা অদোমদি নোংমত্তা শানবীদবরা? শানবসু য়াওরমগনি। ৱারী ওইনা শানদ্রবসু ৱাখলসিদি শোয়দনা খনবীরমগনি। ইশানা ইশাবু মীনম্লগদি খঙদ্রে। নৎত্রবদি, শোয়দনা হায়দোল্লক্নি- নীংতম্বা ৱাখলনা খনখিবা 'খনহৈদব'নি হায়নবা ৱাখল অমা। অদুবু কৌই- হিংমিন্নবা, হিংমিন্নবগী নুংঙাইবা।

পুন্সি হায়ববু করিনো? হিংমিন্নরিবা মশেন অমনা অমদা তৌনবা তাৎ মচা মচাসি য়াওদনা কদায়দগী পুন্সিগী ৱাহন্থোক! ৱাহন্থোকহায়না ঐনা শীজিন্নজরিবসি ইংরাজিদা 'মিনিং' হায়বদুনি। মিনিং ওফ লাইফ, পুন্সিগী ৱাহন্থোক! ৱাহৈ অমগী ৱাহন্থোকনত্তবা!

থৱায় পানবা অমা ওইনসু পোল্লবা- শা-ঙা, উচেক-ৱায়া, তুমিৎ-কাঙ অমদি মী-মখোয় পুম্নমক পুন্সি অমমম শাগোন্নৈ। অদুবু, পুন্সিগী মমল অমদি ৱাহন্থোক হায়বগী ৱাখলসিদি মী ওইনা



পোকপা মখোয়তদনা শাগৎপনি। মী মরক্তুদসু মখোয় খরখক্তনা। শা-ঙা- উচেক-ৱায়াগুম পোল্লরবা কৌবনা হিংনবগীদমক অফং অফংবা খরা চাবা থকপা তৌদুনা লেনবদুদি ৱাহন্থোক লৈতবা পুন্সিনি। অদুদি, 'মিনিং' (ৱাহন্থোক) অদু কনানা পীরক্কনি? কদায়দা থিরুগনি? মচী অমদা তারমগদরা? নো! মদুদি ঐখোয়না থিগদবা নত্তে, শেমগদবনি ইশানা। শৈরেং অমা ইরিবা ঈশৈ অমা শেল্লিবা/শক্লিবা, জগোয় অমা শারিবা... পুন্সিগী ৱাহন্থোক শেল্লিবনি। বুদ্ধ, জিসস, মোহম্মদ, মহাবীর, শ্রীচৈতন্য... মখোয় পুম্নমক পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙখি। লৈকোলদা, উমংদা, লমহাংদা চৎলগা থিরুবা নত্তে। শেমগৎচখিবনি মশানা। মখোয়না ঈশ্বর ফংখি, ঐখোয়গীদমক থন্বীরমখি। থিরুরগা ফংখিবা নত্তে, শেমগৎলগা থল্লম্বনি। থম্মোয়সিনা ইনশিল্লগা তমজরিবা পাউদমসিবু তাবীনিংদবরা? ইনিং তম্মী খনবীগনু। অদোমগী থম্মোয়দা হুল্লিবা মিহুলদু খঙজদবনা, ঐগী থম্মোয় ইহুলনা ইনশিল্লকপদুতনি ইজরিবা। মীওইবগী থম্মোয়নি ইহুল মান্নবা কনাগুম্বদি য়াওরমগনিদনা। নিউতনগী 'গ্রেভিটেসনল লো' আইনষ্টাইনগী 'থিওরি ওফ রিলেটিভিটি' দার্ৱিনগী 'সর্ভাইভেল ওফ দ ফিটেষ্ট থিওরি' খঙননবা ঐখোয় নিউতন, আইনষ্টাইন, দার্ৱিন ওইরুদ্রসু য়াইদনা। গান্ধীমক ওইনবা হোৎনরুদ্রবসু মাগী ৱাখল্লোনদি খঙইদনা। মতৌ অদুগুম- জরাথষ্ট (জোরাষ্ট্রনিজম হৌদোক্লম্বা), জিসস, মহম্মদ, বহাউল্লা, মহাবীর, নানক, চৈতন্যনচিংবা ময়াম্না শেমগৎলম্বা পুন্সিগী মিনিং... পুম্নমক অসি কোক্তা চীনফা পুবনা পুন্সিগী ৱাহন্থোক খঙলবনি খনবা মী মরাং কায়না লৈ ঐখোয়গী ইরক্তা।

ঙসিগী থম্মোয় পাউদম- মখোয়দা অপান্নবা তমগে খঞ্জরুবনি। খঙদে, মখোয়নবু পাবীগদ্রা? অদুবু, পাবীগদৌরিবা খরদুনদি শোয়দনা তমগনি মতাং চাবদা। মদুগী থাজবা অদুনা ইহল্লিবনি ঐহাকপু।

ৱারৌবীনু। ৱা অমত্তা হায়জগে। ঙসিগী মীওইবশিংগী পুন্সিবু মহাও য়াওহন্দ্রিবা মশক থীহল্লিবা, ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রিবা- কাঙলুপ কাঙলুপ নাইনা থন্বীরল্লিবা মীওইবগী ধর্ম্ম (রিলিজন, লাইনিং লম্বী) ময়ামসিননি। উমং-ৱামং- শুরুংদা, চাবা থকপা কাউদুনা অঈং-অশা খঙদনা, মমিৎ অনী উইশিল্লগা, মন্ত্রলীশিং শোল্লিবদু লাই নীংবনি, ঈশ্বরগী মনাক নকপনি- হায়, মহাক অচৌবনি। অদুগা, হোংবা নাইররোইদবা, চহী চা কয়াগী মমাঙদা হায়রম্বা/ইরম্বা লাইরিক্কী ৱা, মশাগী লৈথেৎ-লৈথোনগা লোয়ননা শন্দোক্লিবা লাইগী ৱাপাউ- শন্দোক্লিবা মখোয়, অচানবা লাইগী মনাইনি। মখোয়না অনৌবা পুন্সিগী করি মহাও হাপ্লবগে? অনৌবা পুন্সিগী ৱাহন্থোক করি শেম্বা ঙম্লবগে? হান্না লৈরম্বা পোৎশক অমগী মশক তাকপা- মদুদি ক্রিয়েসন নত্তে, শেমগৎপা নত্তে শেমদোকপনি।

লাই হায়বদি নুংশিবদুনি। নুংশি পাউজেল অদুনি লাইগী মপাউ। ফজবা শৈরেং, নুংশিবা ঈশৈ- সিদে হেনবা নুংশি পাউজেল করি লৈ? লৈশক শুনা শাৎলিবা, লৈনম শুনা তিল্লবা লৈকোল অমদা তম্ফা থিবা লাকপা নুপা অমনা হায়গনি- ৱাহন্থোক লৈতে লৈকোলদুগী। নুংশিবা লৈনম, লিরি শিৎপা মালংবা, চেক্লাগী খোঞ্জেল তাবা লাকপা নহাক্নুদি হায়গনি- কয়াদা ফজখ্রবা লৈকোলনো!


পুন্সি-লৈকোল তাইবংসিদা পুন্সিগী ৱাহন্থোক থিবীনিংলবা- পূক্নিংদুদা অনীংবা অপাম্বা অমা লোয়নরগা চৎলুনু। চৎপীয়ু, অঙৌবা চেবাংগুম্বা থম্মোয় অমা পুদুনা।

নোংমত্তা দ্রামা য়েংউ য়াদবা ঐগী মরুপ অমনা নোংমা হায়রম্মী- 'ঐনা নোয়গী দ্রামা/সিনেমা য়েংনিংদবগী মরমদি- নুপাদুনা পামজবা, নুপীদুনা য়াদবা, য়ারমদবা নুপীদুনা য়ারকপা নুপাদুনা লৈথোকখিবা... অনীমক্না য়ানরকপা মীকুপতা ৱারীদুগী অরোইবা ওইখিবা- মদু ঐহাক য়েংনিংদে... মদু পুন্সি মশক খঙদবনি...'। খঙবীবরা? মাগী অপাম্বদু ফংদবনা, দ্রামাদুগী ৱাহন্থোক ফংদবনি। মদুমক্কি পুন্সি।

লৌশিং পুক্কে

# মীওইবদগী মীওইবদা জিকা ভাইরস শন্দোকপা

কাঙনা শন্দোকপা লায়- নাশিংগী মনুংদা জিকাসু অমনি। অনাবা মীদা চীক্লুবা কাঙনা অতোপ্পা মীওইদা চীক্লুরগা লায়না অসি মথং মথং শন্দোকখিবনি। অদুবু মালেমদা অহানবা ওইনা মীওইবা মশেলগী মরক্তা লায়না অসি শন্দোকপগী থৌওং অমা সাইন্টিষ্টশিংনা হন্দক্তা থেংনখ্রে।



হীরম অসিগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি ওফ উটাহ স্কুল ওফ মেদিসিনগী রিছার্চরশিংনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা জিকানা নারবা মীওই অমগী ঈদা ভাইরসকী চাং কা হেন্না য়াওবা মরম্না মীওই অদুগী হুমাং অমদি পিরাংদা মহীক য়াওরকপনি। অনাবা মীওই অদুগী মনাক্তা চঙলগা হুমাং অমদি পিরাং তৈথোকপীদুনা মতেং পাংলুবা অতোপ্পা মীওই অমসু লায়না অসি পল্লকখি।

কাঙ খক্তনা শন্দোকপা লায়নানি হায়না লৌনরম্বা জিকা ভাইরসনা মীওইবদগী মীওইবদা শন্দোরকপগী থৌওং থেংনরবনিনা হীরম অসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং খরা মতম চানা লৌখৎহৌবা মথৌ তারে হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ উটাহ স্কুল ওফ মেদিসিনগী সঙ্কর স্বামিনাথননা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, এসিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা জিকা ভাইরস পাক শন্না শন্দোরকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না ৱর্ল্ড হেল্ঠ ওর্গনাইজেসন (দব্লিয়ু ঐচ ও) না ফোঙদোকখ্রে। ফিলিপিন্সকী কোনুং মনিলাদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা চহীগী মীফম অমদা দব্লিয়ু ঐচ ওগী দিরেক্টর মার্গরেট চাননা হায়খি, সাইন্টিষ্টশিংনা ভাইরস অসি লাকশিন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলবসু তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈরে।

সিঙ্গাপোরদা জিকা ভাইরসকী কেস চা কয়া রিপোর্ট তৌরকখিবগা লোয়ননা থাইলেন্দদা জিকাগা মরী লৈনবা মাইক্রোসেফালিগী কেস অনী কনফার্ম তৌখ্রে। জিকা ভাইরসনা কা হেনবা মওংদা খুদোংথীবা থোকহন্দবা তারবসু মীরোনবী নুপীশিংদদি অসুক্কী মতিক খুদোংথীনিংঙাই ওই। মীরোনবী নুপীশিং জিকানা নারবদি ব্রেন শোয়বা অঙাং পোল্লকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ৭০ দা শন্দোকখ্রবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না অসিগী মতাংদা খা নোংপোক এসিয়াগী লৈবাকশিংনা অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তারে হায়না দব্লিয়ু ঐচ ওনা ফোঙদোকখি।

দব্লিয়ু ঐচ ও সাউথ ইষ্ট এসিয়ন রিজন ওফিসনা হন্দক্তা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, মীওইবগী হকশেল, মরুওইনা মীরোনবী নুপী অমসুং পূক্নুংদা লৈরিবা অঙাংদা কা হেন্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবা মরম্না লায়না অসি মাঙজৌননা ঙাকথোকহৌনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। থাইলেন্দ, ইন্দোনেসিয়া, মালদিভস অমদি বাংলাদেশ য়াওনা অৱাং নোংপোক এসিয়াগী লৈবাক খরদা হন্দক জিকা শন্দোরকপগী খুদম থেংনখ্রবনি।

অমরোমদা, দেঙ্গি, চিকনগুনিয়া অমসুং জিকা ভাইরসকী মথক্তা 'সর্জিকেল ষ্ট্রাইক' চখ্রবা মথৌ তারে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা চিকনগুনিয়া অমসুং দেঙ্গিনচিংবা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং পাক শন্না শন্দোরকপগী পাউ লৈরবনিনা জিকা ভাইরসসু য়ৌরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে।

*এদিস এজিপ্টি* কৌবা কাঙ মখল অমনা দেঙ্গি, চিকনগুনিয়া, য়েলো ফীবর অমসুং জিকা ভাইরস শন্দোকপনি। অফ্রিকাদগী হৌরকখিবনি হায়বা কাঙ মখল অসি হৌজিক্তি মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদা য়ৌরকখ্রে। চিকনগুনিয়া, দেঙ্গি অমসুং জিকাগী লায়ওং হাইরপ মান্নবা মরম্না হীরম অসিগী মতাংদা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা য়াম্না তঙাইফদে।

হন্দক্তা নেসনলগী থাক্তা ফোঙবা পাউচে অমগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি, হৌখিবা ওগষ্ট ৩১ ফাওবদা লৈবাক অসিগী ওইনা চিকনগুনিয়াগী কেস ১২,২৫৫ থেংনরে। দেঙ্গীগী কেস ২৭,৮৭৯ থেংনখিবগা লোয়ননা দেঙ্গি হিমোরেজিক ফীবরনা মরম ওইরগা মীওই ৬০ শিখ্রে। কুমজা ২০১৫ দদি দেঙ্গীগী কেস ৯৯,৯১৩ থেংনখিবগা লোয়ননা লায়না অসিনা মরম ওইরগা মীওই ২২০ শিখি।

লায়নাশিং অসি মপুং ফানা লাকশিন্নবগীদমক কাঙগী মশীং হন্থহন্নবা থৌরাং অমা মায় পাক্লা লৌখৎপা য়াম্নমক তঙাইফদে। মরম অদুনা হেল্ঠ দিপার্টমেন্ট অমদি মরী লৈনবা লোয়শঙ খুদিংমক্তা হীরম অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

মালেমগী থাক্তা পাঙথোকখিবা রিছার্চ ৱার্কশিংদা কাঙ পুম্নমক খুদক্তা হাৎপা য়াগদবা পান্থে পুথোকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা কাঙ মরূম কোকহন্দনবা অমসুং মশীং হেনগৎহন্দনবা থৌরাংশিং লেপ্তুনা পায়খৎপা মথৌ তারি। নোংচুপ লৈবাকশিংদা তৌবগুম লৈবাক অসিদসু কাঙগী মরমদা চাউরাকপা অমা খঙদোকপগা লোয়ননা কাঙ হাৎনবা অমসুং মশীং হেনগৎহন্দনবা থৌরাংশিং মশক থোক্লা পায়খৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনা লৈকায় লৈকায়গী ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা লূ-নানবগী থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা কাঙ মরূম কোকপা য়াবা মফম লৈহল্লোইদবনি। ঈরম-নালা নীংথিনা চেলহনবগা লোয়ননা য়ুমগী অকোয়বা অমদি লৈকায় লৈকায়দা ঈশিং তুংদুনা লৈবা য়াবা য়াদবা ৱাশিং মেছিন, রেফ্রিজরেটর, গম্লা, টায়র বকেটনচিংবা হুন্দোক্লোইদবনি। ঈশিং খজিক্তং তুংদুনা লৈবা মফমদা কাঙ অমোম্না মরূম চা কয়া কোকশিল্লি। শুপ্নগী চয়োল অমগী মনুংদা মরূমদগী কাঙ ওল্লকই। মরম অদুনা ঈশিং হাপ্পা পাত্র নৎত্রগা টেঙ্ক পুম্নমক চাং নাইনা শেংদোকপগা লোয়ননা মখুম চেৎনা খুমগদবনি। ইমুংদা কাঙ চঙলক্তনবা মতীক চাবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা কাঙখল খল্লগা তূমগদবনি। চিকনগুনিয়া নৎত্রগা দেঙ্গিনচিংবা কাঙনা শন্দোকপা লায়না শন্দোরক্লবদি অমুক্তা হেন্না চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা মথৌ তাই। লৈঙাক্তা মরী লৈনবা লোয়শঙ অমসুং লৈবাক মীয়াম খুৎশম্নরবদতা কাঙনা শন্দোকপা লায়নাশিং মপুং ফানা লাকশিনবা ঙমগনি।

# ৱাবগাই খুলগী ওইবা কম্মন কেন্দিদেট লাউথোকখ্রে




ককচীং, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখলদা ৱাবগাই খুলনা ৱাবগাই তেরা উরক্তগী ময়েংবম রঞ্জিৎ, অপোকপা ময়েংবম মনিহারবু ৱাবগাই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইনবা লাউথোকখ্রে।

ৱাবগাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱাবগাইনা শীন্দুনা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ৱাবগাই তেরা উরক্তা লৈবা লাই কালিকাগী মান্দপতা পাঙথোকখিবা ৱাবগাই ভিলেজগী ওইনা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখলদা মীরেপ ওইনবা মীওই খনবগী মীফম অমনা ময়েংবম রঞ্জিৎপু ৱাবগাই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সিগী মীরেপ ওইহন্নবা লাউথোকখিবনি। ময়েংবম রঞ্জিৎ মমাঙদা ৱাবগাই এ সীদা এম এল এ ওইরম্লবা ময়েংবম মনিহারগী মচানুপানি।

মীরেপ ওইনবা মীওই খনবগী মীফম অদুগী মতাংদা ৱাবগাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. ৱাইরোকপম ইবোমচানা পাউমীশিংদা হায়খি, মণিপুরদা ওইরক্লিবা পোলিটিক্সকী চৎন- কাঙলোন, হোংলক্লিবা ফীভম কয়া অসিদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈরিবা ৱাবগাই এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিদা অফবা মতিং মথৌনা লৈবা লমদম অসিদগী মীহুৎ ওইনা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অসিগী অমসুং মণিপুরবু অফবা মায়কৈ অমদা পুরকপা ঙমগদবা অমদি পুকচেল শেংনা হোৎনরক্কদবা অদুগীসু মথক্তা ভোটর ৬০০০ হেন্না লৈরিবা ৱাবগাই খুলগী মীয়াম্না য়াবা মীরেপ অমা পুথোক্লবা পান্দমদা ঙসিগী মীফম অসি পাঙথোকপনি।

মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মীয়াম্না য়াবা মীরেপ পুথোক্লবা মীদিয়াগী থোঙদা মীরেপ ওইনিংবা ৱাবগাই খুলগী মনুংদা লৈরিবা মীওইশিংগী বাইও দেটা কৌখি। অদুম ওইনমক ৱাবগাই খুলগী ওইনা ময়েংবম রঞ্জিৎ, অপোকপা ময়েংবম মনিহার খক্তমক লাকপনি। মরম অদুনা মহাকপু ৱাবগাই খুলগী ওইনা মীয়াম্না য়াবা মীরেপ ওইনবা ৱারেপ লৌবগা লোয়ননা মহাকপু মায় পাকহন্নবা ৱাবগাই দিভলপমেন্ট কম্মিটি, ৱাবগাইনা মীয়ামগা লোয়ননা হোৎনমিন্নবা হায়নসু ৱারেপ্লরে হায়না ফোঙদোকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা ৱাবগাই দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ডা. ৱাইরোকপম ইবোমচা, কম্মিটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ময়েংবম ভুবনেশ্বর, এন শাজৌ, টি ঐচ রোজনি অমসুং কম্মিটি অসিগী এদভাইজর কয়ানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# সাইকোট এস দি ও ওফিস মপুং ফানা হাংনবা তকশিনখ্রে

সাইকোট, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): সাইকোট সব-দিভিজন দিমান্দ কম্মিটিনা সাইকোট সব-দিভিজন ওফিস নীংথিনা মথৌ তৌহন্নবা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা তকশিন্দুনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা থবক ওইনা পাঙথোকপী- রক্ত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না কম্মিটি অসিগী চেরোল অমনা হায়রি।

থা অসিগী ৮ অমসুং ১২ দা সাইকোট য়ুথ ক্লবকী হোলদা ঐচ ৱাই এ, সাইকোট ব্রাঞ্চ ওফিসকী ইগজিক্যুটিব মীটিংশিং পাঙথোক্তুনা খোঙজং চঙশিন্নবা ৱারেপ লৌখিবনি।

সাইকোট সব-দিভিজন দিমান্দ কম্মিটিগী চ্যেরমেন তিমোথি জেদ জৌতেনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীয়ামগী মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা লূপ কয়াগী মীওই ৫০০ রোম্না শরুক য়াখি অমসুং মীফম অদুনা চীফ মিনিষ্টরদা মেমোরেন্দম অমা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৩ দা চুড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারগী খুথাংদা পীশিন্দুনা সাইকোট সব- দিভিজনেল ওফিস মথৌ তৌহন্নবা অমসুং দিপার্টমেন্ট খুদিংমক্কী পোষ্টিং লৈরিবা ষ্টাফশিংসু থারক্নবা তকশিনখিবা অদুগা মরী লৈননা ৱাফম কয়াসু খন্নখি।

থা অসিগী ১৯ গী অয়ুক পুং ৬ তগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা চঙশিনগনি হায়রিবা খোঙজং অদুদা প্রেস, ৱাটর সপ্লাই, মেদিকেল, মীশি-মীনাগী থবক থৌরমশিং, লাইনিংগা মরী লৈনবা থবকশিং, ইলেক্ট্রিসিটি, স্কুলগী অঙাং পুরিবা গাড়ীশিং, এয়রপোর্টতা থিবা অমসুং লৌবা চৎপা মীওইশিংদি কোমথোক্কনি হায়রি।

সাইকোট সব-দিভিজন দিমান্দ কম্মিটিনা মখা তাবা খোঙজং অদুনা চুড়াচান্দপুর বন্দ তৌবা, এসেমব্লী ইলেক্সন বোয়কোট তৌবা, চরা হেনবগী খোঙজং অমসুং ৱাকৎ মীফম অমদি সাইকোট সব- দিভিজনগী মনুংদা লৈরিবা মহৈ তম্ফমশঙশিং থিংজিনবগী থবক ফাওবা চঙশিল্লকপা য়াই হায়রি।

চুড়াচান্দপুরগী তুইথাফাই ভেলিদা লৈরিবা মীয়াম্নসু দিমান্দ অসি ফংনবা তকশিনবদা মপুং ফানা শৌগৎপীনবা আপিল তৌরক্লি। অমরোমদা, কুকি ইন-পি, জোমি কাউন্সীল, মার ইনপুই, মিজো পিপল কনভেন্সন অমসুং বাইফৈ পিপলস কাউন্সীলনা সাইকোট এস দি ও ওফিস মপুং ফানা হাংদোক্তুনা তকশিনবা অসিদা পূক্নিং থৌগৎপা ওইনা মপুং ফানা শৌগৎলকপবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# ৱর্ল্ড সাইট দে পাঙথোকখ্রে



ককচীং, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): মালেমগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লখিবগুম নেসনল হেল্ঠ মিসন, থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মখাদা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস থৌবালনা শীন্দুনা ১৭ শুবা ৱর্ল্ড সাইট দে ২০১৬ কী থৌরম ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা ইরেংবন্দদা লৈবা স্কোলার ইংলিস হায় স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

*প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল ওফ দ ইমার্জিং আই দিজিজেস* হায়বা থীমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা স্কোলার ইংলিস হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর কোন্থৌজম বিরেননা চীফ গেষ্ট, নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর কন্ট্রোল ওফ ব্লাইন্দনেস, থৌবালগী নোদেল ওফিসর অমদি দিষ্ট্রিক্ট টি বি ওফিসরসু ওইরিবী ডা. কে এস ঐচ মেমচানা প্রসিদেন্ট অমসুং ইরেংবন্দ গ্রাম পঞ্চায়টকী উপ-প্রধান এল ইবোমচানা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা স্কোলার ইংলিস হায় স্কুলগী মহৈরোয়শিংবু মীৎকী চাংয়েং তৌদুনা রিফ্রেক্টিব ইরর লৈরবশিং খঙদোকখি। রিফ্রেক্টিব ইরর লৈরবা মহৈরোয়শিংদা লেম্না আনোক য়েন্থোক্কনি হায়রি। মীৎ চাংয়েং তৌখ্রবা মহৈরোয়শিংদা লেম্না হীদাক লাংথকসু য়েন্থোকখি হায়রি।

# 'থৌবাল প্রোজেক্টকী ঈশিং লম্লাইদসু ফংহল্লু'

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট শাবা লোইশিল্লক্তুনা কম্মিসন তৌনবা হোৎনরকপা অসিদা লম্লাই মায়কৈদা কান্নবা ফংহন্নবা থবক থৌরম কয়া য়াওরমদ্রে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লম্লাইদা মতিক চানা ঈশিং ফংহন্দ্রবদি শেমগৎ- শাগৎপগী থবক তৌরিবসি থিংবগী খোঙজং চঙশিল্লক্কনি হায়বা থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট নেগ্লেক্টেদ এরিয়া এগ্রিকলচরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন্না ফোঙদোকখ্রে।

থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট নেগ্লেটেদ এরিয়া এগ্রিকলচরেল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি তেলেম দারাগা মণিপুর প্রেস ক্লব, ইম্ফালদা ঙরাং পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্না মখা তানা হায়খি, থৌবাল মল্টিপর্পজ প্রোজেক্ট শাবা লোইশিল্লক্তুনা কম্মিসন তৌনবা থৌরাং তৌরিবা অসিদা লম্লাই মায়কৈদা ঈশিং ফংহন্দ্রবদি হৌজিক শেমগৎ শাগৎলিবা কয়া অসি থিংবগী খোঙজং চঙশিনগনি। লম্লাইগী এরিয়াদসু প্রোজেক্ট অসিদগী ঈশিং ফংহন্দুনা লৌমীশিংগী ঈথৈ লৌখোংগী ঈশিং পীরমদনা অতোপ্পা মফমদা ঈশিং পুখিবা য়ারোই। উখুল রোদকী ওই অমসুং য়েৎথংবা মায়কৈদা লৈরিবা খোংলম অনী অসি নাইবি রিভরগা লৈমখোং রিভর অনী অসিদা ঈশিং মপুং ফানা ফংহনগদবনি। কিলোমিটর তংখায় অমরোম শাংবা মফম অসিদা ঈশিং ফংহনগদবনি।

মফম অসিদা মমাঙঙৈদগী হৌনা দামনচিংবা কয়া শাদুনা লৈবনা ঈকং থাদা ঈশিং শীজিন্ননিংঙাই লৈরক্তবা মতমদা হায়রিবা তুরেল অনী অসিদা ঈশিং থাবীরকউ হায়রি। খোংলম মচা- মচা লৈজবা অসি শমজিন্নরগা ঈশিং ফংহনবসু য়াবনি। হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর, গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরদসু মেমোরেন্দম পীশিন্নবা শেম শাবা লোইরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ক্বাথা ফেষ্ট পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ : ক্বাথা সেদ্যুল কাষ্ট ৱেলফেয়র য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ক্বাথা ভিলেজদা এনকো টুরিজম ফেষ্টিবেল থা অসিগী ২২ দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি হায়রি। ফেষ্টিবেল অসি ক্বাথা ভিলেজগী মীওইশিংগী পুন্সিরোল মখোয়গী থাজবা অমসুং মশানা মশাদা শক্তি পীজনবা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লিবা নহাশিং অদুনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবনি হায়রি। ক্বাথা খুলগী মহৌশাগী ফজবা অসি মরম কয়ানা অকনবা শাফু পীরক্তুনা মাঙখিগদবগী ফীভম লাক্লিবা অমসুং ৱা মপান শাৎপনা মরম ওইদুনা মফম অসিগী মরুওইবা শেন্থোক লম্বী ওইরিবা সোইবুমগী পোখোক্তা শোক্লক্লিবা অমসুং য়োনফমগী মতাংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরকপা অসিনচিংবা খুদোংচাদবা কয়া লৈরি। লৌরোক পন্থা লোইখিবগা লোয়ননা ফেষ্টিবেল অসি পাঙথোক্লবা শিনবনি। খুল অসিগী মীওইশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

# মণিপুর ৱিমেন ফাউন্দেসনগী শঙলেন শানবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা উরেপ-উয়ুং তমখ্রে

থৌবাল, ওক্টোবর ১৩(ঐচএনএস): খুন্নাইগী মরুওইনা নুপীশিংগী য়াইফনবা হীরম কয়াদা থবক থৌরম কয়া পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মণিপুর ৱিমেন ফাউন্দেসনগী শঙলেন শানবগীদমক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা য়াইরিপোক বিষ্ণুনহাদা ঙসি উরেপ-উয়ুং তমখ্রে।



থৌরম অদুদা থাঙ্গা এ সীগী এম এল এ অমসুং পি দি এগী চ্যেরমেন ওইরিবা টি মঙ্গিবাবুনা চীফ গেষ্ট, এম আই অমসুং আই পি আরগী পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি কৈশাম মেঘচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং দলিত সেনা মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট আর কে সোমেন্দ্রো এলিয়স কাইকুনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

মণিপুর ৱিমেন ফাউন্দেসনগী সেক্রেটরি এ কে নিরুপামানা থৌরম অদুগী নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা লূপ অসিনা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরম কয়া মীয়ামদা থমখি। থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা টি মঙ্গিবাবুনা খুন্নাই অমদা নুপীশিংনা লৌরিবা থৌদাংশিংবু শিংথাবগা লোয়ননা মণিপুর ৱিমেন ফাউন্দেসন্না পাঙথোক্লিবা থবকশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মতুং তারকপদসু তুংগী মীরোলগীদমক থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না পাঙথোরকখিগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি মেঘচন্দ্রনা হায়খি, নুপীশিংতনা মেম্বর ওইদুনা নুপী-অঙাংশিং অমদি খুন্নাইগী য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎলিবা ফাউন্দেসন অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। হীরম খুদিংমক্তা নুপীশিংবু লমজিং-লমতাকপীদুনা চাউখৎপা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমগনি হায়খি। মহাক্কী মায়কৈদগীসু ফাউন্দেসন অসিগী শঙলেন শাবদা অমদি অতৈ অতোপ্পা মরম কয়াদা পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

# জে সী বি দ্রাইভর অনৌ কবুইবু থাদোকপীয়ু : মাওইষ্ট

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৩ : ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা মোইরাংপুরেলদা লম্বী শেম্বদা য়াওবা শিন্মী অমবু নোংমৈ চীন্দোলদা ফাজিনখিবা থৌওং অসি মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ষ্টেন্দিং কম্মিটিগী কোওর্দিনেটর য়োংহন মঙাঙনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়, লংফৈ চৎতুনা থবক শুজরিবা শিন্মীশিংবু অসুম্না তাথি-তাওইনা তৌবীবসি মীনুংশি খঙদবগী থৌওংনি। নোংমৈ পায়বা খুৎপু অদুনা জে সী বি মৈ থাদোক্লক্লবসু লূপ অসিনা করিসু নিংদোল পোম্বা লৈরোই। অদুবু শিন্মী অমবু নোংমৈ চীন্দোলদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা অসিদি মীওইবা খুন্নাইনা য়ানিংফম থোক্তে। শিন্মীশিং অসিদি নোংমগী খুৎশুমল তানবা লাকচবনি। মখোয়দা কনাগুম্বা লূপ অমদি ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা লেপ্পা নৎত্রগা লানশিংনবা নত্তে।

নোংমগী খুৎশুমল তাঞ্জবা লাকপা ইচম চম্বা শিন্মী অমবু নোংমৈ চীন্দোলদা ফাদুনা থল্লগা মহাক্কী পুন্সিবু শেঞ্জাও পায়বশিংগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা উশিন থাবসি অচুম্বা খোঙথাং নত্তে। থৌওং অসি মীওইবা খুন্নাইনা অচুম্বনি হায়না কনানসু হায়রোই অমদি নুংশিনসু শোন্নরোই।

মরম অদুনা নোংমগী থবক শুজরগা শেল তানবা লাক্লিবা শিন্মী অনৌ কবুইবু মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা অথুবা মতমদা থাদোকপীনবা মরী লৈনবা খুদিংমক্কী পূক্নিং চিংশিল্লক্লি। শিন্মী অনৌ কবুইগী ইমুং- মনুংগী অৱাবদা লূপ অসিনা মপুং ফানা শরুক য়ারি অমদি কবুই মীয়ামগী অৱাবদসু মপুং ফানা শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগী মতাংদা কবুই মীয়াম্না লৌরকপা ৱারেপ খুদিংমক্তা মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি, মণিপুরনা অঙম্বা থাক্তা শৌগৎকনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।